




# MSME পল্স

মার্চ 2023



## শ্রী. সিবসুব্রমনিয়ন রমন

চেয়র্মেন & এম.দি., SIDBI

সরকারনা MSME সেক্তরবু নৌনা থৱাই হাপ্পবগীদমক হৌদোকখিবা প্রোগ্রেসিব রিফোর্মশিং অসি মহৈ য়াল্লে হায়বসি শরুক কয়াদা এন্তর্প্রাইজশিংনা লৌখৎখিবা য়াম্নবা বিজিনেসকী থবক থৌরম অমসুং ক্রেদিত হেনগৎলক্লিবা অসিদগী উবা ফংলি। ঐখোয়না MSME গী ক্রেদিতকী খুদোংচাবশিং মতম চানা লৌবা য়াহন্দুনা মসিগী হেনগৎলক্লিবা দিমান্দ অসি শৌগৎনবা ঐখোয়না ক্রেদিত ইন্দস্ত্রী অসি পুক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই, মসিনা সরকারগী USD ত্রিলিয়ন 5 গী ইকোনোমী পান্দম অসি ফংহনবা ঙম্নবগীদমক মসিগী সেক্তর অমসুং শেন্মিৎলোন অসিগী তুং-কোইগদবা মওংদা খুমাং-চাওখৎহনবদা শরুক য়াহনগনি।



## শ্রী. রাজেশ কুমার

এম.দি & সি.ই.ও., ত্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL Ltd.

MSME সেক্তরদগী লাকপা ক্রেদিতকী দিমান্দ অসি মতম-পুম্বগী ওইনা ৱাঙই অমসুং ক্রেদিত ইন্দস্ত্রীনা পীরিবা সপ্লাই অসি লেংদনা অদুমক লৈ অদুবু খুদোংচাদবশিংদি হন্থখ্রে। মসিদা ফংলক্লিবশিং অসিনা ক্রেদিত ইন্দস্ত্রী অসি ইনসাইতস অমসুং দেতা এনালাইতিক্সনা মতিক চাবা MSMEs মশক খংদোকপগী মপাঙ্গল লৈহল্লি অমসুং বিজিনেস সেক্তরশিং অমদি মফম কয়াদা মতিক চানা ক্রেদিত খুদোংচাবশিং ফংহল্লি হায়বগী ময়েক লারবা খুদম ওইরি। সরকার, রিগ্যুলেতর, অমসুং লেন্দিং ইকোসিস্তেম অসিনা খোংজেল য়াংনা থাংজিল্লিবা খোংথাংশিং অসিনা MSME সেক্তর অসিবু মখোয়গী খুমাং চাওশিনবগী লম্বীদা মতিক থোক্লা ঙাক-শেনবিরি। মসিগী খোংথাংশিং অসিনা শেল-থুম, ইনকম অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী ই-পাউশিংগী অপুনবা মপাঙ্গল লৈহনবদা মতেং পীরি, মসিনা MSME গী লোনশিংগী অন্দরাইতিংদা রিস্ক দিফরেন্স্যেসন ফগৎহনবা ঙমহন্দুনা, ক্রেদিত ইন্সতিত্যুসনশিংদা বিজিনেস এন্তিতীগী অপুনবা মশক অমা উবা ফংহল্লি।

# ANALYTICAL CONTACTS



## ট্রান্সয়ুনিয়ন CIBIL


**বিপুল মাহাজন**
vipul.mahajan@transunion.com

**মোহিত গোয়ল**
mohit.goel@transunion.com

**এন্নী নিশাঙ্ক**
annie.nishank@transunion.com

**ত্রুপতি শেত্তী**
trupthi.shetty@transunion.com


## SIDBI


**সঞ্জয় জেন**
erdav@sidbi.in

**জিন্স্‌বানমুং হাংজো**
erdav@sidbi.in

**সোহম নাগ**
erdav@sidbi.in

**বন্দিতা স্রিবাস্তবা**
erdav@sidbi.in

# CONTENTS

| | |
|---|---|
| একজিক্যুতিব সম্মারী | 4 |
| ক্রেদিত দিমান্দ | 6 |
| ক্রেদিত সপ্লাই | 7 |
| ক্রেদিত গ্রোথ অমসুং পর্ফোর্মেন্স | 11 |
| মতুং-তাবা গ্রোথকী ৱেব – মাইক্রো সেগমেন্ত | 16 |
| খুদোংচারোইদবা লৈবদা মাংজৌননা পীবা সিগনেলশিং | 20 |

মাইক্রো, স্মোল অমসুং মিদিয়ম এন্ত্রপ্রাইজ (MSME) সেক্তর অসি ভারতকী GDPদা 30% শরুক তমদুনা অমসুং মীওই মিলিয়ন 111 থবক পীদুনা অহোংবা কয়াগা লোইননা য়াংনা পাকথোক-চাউথোরক্লি। অদুনা, ফাইনান্সতা MSME য়াহনবগী চাং ফগৎহনবা অমসুং কেপিতেলগী পাম্বৈ/লম্বীশিং থিজিন্দুনা অনৌবা খোংথাংশিং পুথোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইরি।

MSME পল্সকী ইদিসন অসিনা মরুওইনা MSME দগী শেল পূবশিংদা মতম চানা ক্রেদিত পীদুনা সেক্তর অসিদা লাক্লিবা খুমাং চাওশিনবগী খোংজেল অসি য়েংশিল্লি। অহানবা তাঙ্কক অসিনা MSME ক্রেদিতকী মরুওইবা মশক-মওংশিং তাক্লি অমসুং সেক্তর অসিগী দিমান্দ, ফ্লো অমসুং পাংথোক্লিবা থবকশিং অসি য়েংশিল্লি।

মসিগী মখা তারিবা তাঙ্কক অসিনা মাইক্রোগী শরুক্তা মথংদা লাকপা য়াবা খুমাং চাওশিনবগী শাহুম অদু নৈনরি। অমসুং অরোইবদা, ঐখোয়না সেক্তর অসিদা মাংজৌননা খুদোংথিবা য়াই হায়না লাকপা ৱার্নিং সিগনেলশিং খংদোক্তুনা থিজিল্লি।

## ক্রেদিত দিমান্দ, সপ্লাই অমসুং ক্রেদিত দিমান্দ গ্রোথ

MSME লোনগী (কম্মর্সিয়েল ক্রেদিদ ইনক্বিরিশিংগী মশিংগী চাংদা ওনবদা) দিমান্দ অসি হায়গৎলক্তুনা চহি অনিগী মমাংদা লৈখিবা দিমান্দ অদুগুম্বা শরুক 1.7 লোম য়ৌনা হেনগৎলক্লি। চপ মান্নবা মতম অসিগুম্বা x 2 হেন্দোক্লা ক্রেদিত দিমান্দ লৈবা NBFC না থেংনখি। মসি সরকার অমসুং ফাইনান্স্যেল সেক্তরগী মায়কৈদগী MSME সেক্তরগীদমক তোঙান-তোঙানবা মতেংগী কাংলোনশিং অমসুং অহোংবা নাইবা দিজিতেল পব্লিক ইনফ্রাস্ত্রকচর শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং চৎনহন্নবা পীরকখিবা/তম্লকখিবা অদুদা মহৈ পীবা য়াই।

FY23-Q2 দা লৈরিবা দিসইম্বর্সমেন্তকী চাং অসি 24% YoY দা হেনগৎলক্লে। FY23-Q2 দা লৈরিবা মাইক্রো সেগমেন্ত অসি মমাং চহিগী চপ-মান্নবা মতমদা লৈখিবা দিসইম্বর্সমেন্ত অদুগা চাংদম্নবদা 54% হেনগৎলকপা থেংনরি। মাইক্রোদা মশক থোক্লা খুমাং চাওশিল্লকপা অসিনা মার্কেন্তা অখন্ননা কান্নবা লৌমিন্নবা হেনগৎহল্লি। PSB, PVT অমসুং NBFCগী ওইনা FY23-Q2 দা MSMEগী দিসইম্বর্সমেন্তকী চাং অসি FY22-Q2 গা য়েংনবদা মথংশিৎনা 21%, 25% অমসুং 34% হেনগৎলক্লি।

## পোর্তফোলিও পর্ফোর্মেন্স

অপুনবা MSME ক্রেদিত এক্সপোজর (দিফোল্ত কেসশিং থাদনা ~ দাউতফুল কেতেগোরীদা ₹1.2 লাখ করোর অমসুং 720 DPD হেন্না/লোস কেতেগোরীদা ₹1.2 লাখ করোর) অসি সেপ্তেম্বর'22 ফাওবদা (FY23-Q2) ₹22.9 লাখ করোর ওইদুনা 10.6% কী YOY গী গ্রোথ রেত অমা লৈবা উবা ফংখি।

অপুনবগী ওইনা, MSME NP রেত (90+DPD) অসি মমাং চহিগী (FY22-Q2) চপ-মান্নবা মতমদা 13.9% ওইরম্বদগী, সেপ্তেম্বর'22 দা 12.5% ওইখি। মসিগী পল্সকী ইদিসন অসিনা, দেলিনক্বেন্সি রেত (90+ DPD)কী অনৌবা ৱাহন্থোক অমা পুথোক্লি অমসুং নুমিৎ 720 দগী হেন্দোক্লা DPD লৈবা নত্ত্রগা মাংখ্রবা/দাউতফুল ওইরে হায়না রিপোর্ত তৌখ্রবা লেগসি একাউন্তশিং য়াওহন্দ্রে। দেলিক্বেন্সি রেত অসি মমাংগী চহি (FY22-Q2)গী চপ-মান্নবা মতমদা 4.4% ওইরম্বদগী সেপ্তেম্বর'22 (FY23-Q2)গী ওইনা 3.0% ওইখি। দেলিক্বেন্সি রেত অসি লেন্দর কেতেগোরি অহুম্মক (PSBs, PVT অমসুং NBFCs) অসি লোইনমক্তা YoY ওইনা হন্থরক্লি; মসিদা PVT গী শরুক্তা খ্বাইদগী য়াম্না হন্থরক্লি (হায়বদি FY 22-Q2 দা 2.8% ওইরম্বদগী FY 23-Q2দা 1.5% দা)।

### মতুং-তাবা গ্রোথকী ৱেব – মাইক্রো সেগমেন্ত

মাইক্রোগী শরুক্তা লাকপা ক্রেদিত (চাংচন্তা ₹ 1 Cr দগী হেন্দনা ক্রেদিত এক্সপোজর লৈদুনা) অসি বেলেন্সতা সেপ্তেম্বর'22 ফাওবদা 13% YoY হেনগৎলকখি লোইননা অপুনবগী ওইনা MSME দা 10% YoY হেনগৎলকখি। য়াম্না পীকপা (চাংচন্তা ₹10 লাখৎগী হেন্দবা ক্রেদিত এক্সপোজর লৈবা), মাইক্রো1 (চাংচন্তা ₹10-50 লাখ ফাওবগী মনুংদা ক্রেদিত এক্সপোজর লৈবা) অমসুং মাইক্রো2 (চাংচন্তা ₹50 লাখতগীনা করোর 1 ফাওবগী মনুংদা ক্রেদিত এক্সপোজর লৈবা) অসিনা মথংশিৎনা 20%, 15% অমসুং 11% YoY বেলেন্স হেনগৎলকপা থেংনগনি অমসুং মসিনা পেন্দেমিক মতুংগী বাউন্স বেক অমা ওইবা নত্তবা মওংদা মাইক্রো লেন্দিংদা খংহৌদনা হেনগৎলকপা উবা ফংহল্লি।

মাইক্রোগী শরুক্তা শরুক চাওনা হেনগৎলকপা অসিনা শেল শান্দোকপশিংবু মসিগী হিরম অসিদা থাজবা লৈহল্লি। MSMEগী অপুনবা শরুক্কী 93% দি MSME গী পোর্তফোলিওদা 25% শরুক তম্লিবা মাইক্রো সেগমেন্ততা লৈ। MSMEs না ফোর্মেলাইজ তৌরকপা অমসুং মখোয়না প্লেতফোর্মদা য়ুম্ফম ওইবা বেঙ্কিং সর্বিসশিং পাইখৎপা অসিনা, শেল শান্দোকপশিংনা দেতা হেন্না লৌবা ঙমহল্লি। মাসিনা ক্রেদত প্রোসেসিং অমসুং লোন পীবদা লাইহল্লি অমসুং অন্দর্রাইতিং তৌবা অমদি শেল পুথবা খোমগৎপদা হেন্না মচাক খায়না ময়েক শেংহন্দুনা ফাইনেন্স্যেল ইন্সতিত্যুসনশিংগী থাজবসু হেনগৎহল্লি। হেন্না পুক্লিং চিংশিল্লিবদি, অনৌবা ওরিজিনেসনশিংগী মরক্তগী 50% হেনবদি শরুক অসিগীদমক ন্যু-তু-ক্রেদিত (NTC) বোরোৱরগী খুথাংদা লাকখি – মসিনা মায়-পাক্কদবা অন্দর্রাইতিংগীদমক অতোপ্পা দেতাগী লিখুনশিংগী মরুওইবা লম অদুদা মিৎয়েং থল্লি।

## খুদোংচারোইদবা লৈবদা মাংজৌননা পীবা সিগনেলশিং (EWS)


MSME না মচাক খায়না অমসুং প্লেতফোর্মদা য়ুম্ফম ওইবা কঞ্জুমর শান্দোকপা ফিবম অমা শেম্বা ঙম্বা অসিনা, অনৌবা ব্রাখল্লোন চেনবা সোল্যুসন কয়া অমা অন্দর্রিতনগী মপুং ওইবা শরুক অদুনা পাংথোক্লিবা থবক অদু য়েংশিন্নবগীদমক লৈবা মথৌ তারি। DPD বকেন্তা হৌজিক লৈরিবা একাউন্ত অমদা রিএক্ত তৌবা হায়বসি ইকুই কুইদনা তুংদা পোতেন্স্যেল দিফোল্ত সিগনেল পীবা য়াবা অতোপ্পা ইন্দিকেতর ময়াম অমা লৈবনা মতম থিন্দরবা রিএক্সন অমা ওইবা য়াই। মরম অদুনা, EWS অসি ক্রেদিত রিস্ক মেনেজমেন্তকী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইরক্লি অমসুং মসিনা শেল-শান্দোকপশিংদা মাংজৌননা খুদোংচাদবদগী ঙাকথোক্লবা এক্সনশিং লৌবা য়াহল্লি।



## ক্রেদিত দিমান্দ

শেন্মিৎলোন অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমশিংদা রিকোবরী তৌবনা করবারগী শেল-শান্দোক্লবগীদমক ক্রেদিত দিমাদ হেনগৎহল্লি। পর্চেসিং মেনেজর ইন্দেক্স (PMI) অসি হৌখিবা থা 6 অসিগী ওইনা চাং অমদা 50 দগী হেন্না হেনগৎলক্লি, মসিনা পোৎ-চৈ শাবা-পুথোকপা/সর্বিস সেক্তরনা পাকথোক চাওথোরক্লিবা অদু উৎলি। হায়রিবা অসিমক চহি অনিগী মমাংদা লৈরম্বা দিমান্দ অদুগুম্বা শরুক x 1.7 গা নক্নবা সেপ্তেম্বর'22 গী মশিংশিং অদুগী হেনগৎলকপগী ত্রেন্দ অমদা লৈরিবা ক্রেদিত দিমান্দ (ক্রেদিত ইনকুইরিগী ভোল্যুমগী চাংদা ওল্লিবা) অসিদা উবা ফংলি।

ইন্দেক্স তৌরবা কম্মর্স্যেল ক্রেদিত ইনক্কিরী ভোল্যুমশিং





Index: FY 20-Q2 = 100

### শেল-শান্দোকপা মখলগী মতুংইন্না লাকপা ক্রেদিত দিমান্দ

ক্রেদিত দিমান্দ অসিনা সেপ্তেম্বর'22 ফাওবদা PSBs অমসুং PVT বেঙ্কশিংগী ওইনা চহি 2 হেন্না মথংশিংনা 1.9x অমসুং 1.6x দা লৈরি। NBFCs কী ওইনা দিমান্দ অসি, চপ মান্নবা মতম অসিদা 2x হেন্না হেনগৎলকখি। মসি সরকার অমসুং ফাইনান্স্যেল সেক্তরনা MSME সেক্তরগীদমক তোঙান-তোঙানবা মতেং পীনবা পাম্বৈশিং শেমগৎ-শাগৎখিবা অমসুং চৎনহন্নবগীদমক হোৎনখিবা শরুক অদুদা মহৈ পীবা য়াই। সরকার অমসুং লনাইগী সেক্তর অনিমক্তগী দিজিতেল ত্রান্সজেক্সন লৈহন্নবা কন্না হোৎনবা অসিনা মখা তানা ক্রেদিত মথৌ-তাবা অসি মায়কৈ চুমহনখি।

শেল-শান্দোকপা মখলগী মতুংইন্না ইন্দেক্স তৌরবা কম্মর্স্যেল ক্রেদিত ইনক্কিরীশিং





Index: FY 20-Q2 = 100

## ক্রেদিত সপ্লাই

FY23-Q2 গী দিসইশ্বর্সমেন্ত অসি YoY দা 24% হেনগৎলকখি। মাইক্রো, স্মোল অমসুং মিদিয়ম সেগমেন্তশিংনা দিসইশ্বর্সমেন্ততা মথংশিৎনা 54%, 23% অমসুং 9% হেনগৎলকপা উবা ফংই।
মাইক্রো সেগমেন্ততা চাওনা খুমাং চাওশিল্লকপসিনা মার্কেত অসিদা পুন্না মিৎয়েং চংবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়বসি উৎলি।


### MSME দিসইশ্বর্সমেন্তকী চাং (₹ লিশিং করোরদা)




দিসইশ্বর্সমেন্ততা রিন্যুএলশিং য়াওদে

শেল শান্দোকপশিংগী মরক্তা লৈবা ওরিজিনেসনগী চাংগী শেয়র অসি অয়াম্বনা মমাংগী চহিগা মান্ননা অদুমক লৈ, অমসুং লনাইগী প্লেয়রশিংনা FY23 Q2 দা লৈরিবা সেগমেন্ত খুদিংমক্তা মার্কেত শেয়র খ্বাইদগী য়াম্না ওঙান্না থম্মি। PSBs, PVT অমসুং NBFCs দা লৈরিবা দিসইশ্বর্সমেন্তশিং অসি মথংশিৎনা 21%, 25% অমসুং 34% হেনগৎলকখি। মাইক্রো সেগমেন্ততা, ওরিজিনেসন শেয়র অসিনা চহি 2 দা PSBs তগী PVT অমসুং NBFCs তা চৎখি।


### শেল-শান্দোকপশিংদা লৈবা ওরিজিনেসনগী চাংগী শেয়র



## চাংচত্তা লোনগী সাইজ


মাইক্রো অমসুং স্মোল সেগমেন্তশিংগী লোন সাইজ অসি FY23 Q2দা চাংচত্তা মথংশিংনা 34% অমসুং 4% YoY হেনগৎলকই অদুগা মিদিয়ম সেগমেন্ততা 1% YoY হন্থরকই। মাইক্রো অমসুং স্মোল সেগমেন্তশিংগী লোন সাইজ অসি কোভিদ মতুংদা ECLGS তা মিৎয়েং চংবা হেল্লকপনা মরম ওইদুনা চাংচত্তা হন্থরকপা থেংনখিবা অদু হৌজিক্তি কোভিদ মমাংদা ওইরম্বা থাক অদুদা অমুক হল্লকপা ওন্নে।

MSME সেগমেন্তকী চাংচত্তা লৈবা লোনগী সাইজ (লাখ তা)




লনাইগী ওইবা প্লেয়রশিংগী ওইনা, মাইক্রো সেগমেন্ততা লোন পীবদা মিৎয়েং চংবা হেনগৎলকপনা লোন সাইজ অসি চাংচত্তা 13% YoY হন্থহল্লকই। চৈরক অসিনা, PSBs অমসুং NBFCs কী ওইনা লোন সাইজ অসি চাংচত্তা মথংশিংনা 40% অমসুং 5% হেনগৎলকই। ECLGS লোন খ্বাইদগী ৱাংনা উবা ফংবা PSBs কী লোন সাইজ অসি চাংচত্তা পেন্দেমিক মমাংগী চাং অদুদা অমুক হল্লকপা ওন্নে।


শেল-শান্দোকপা মখলগী মতুংইন্না চাংচত্তা লৈবা লোনগী সাইজ (লাখ তা)



## CMR না MSMEs কী ওরিজিনেসন্স দিস্ট্রিব্যুসনশিং


MSME সেগ্মেন্তকী অপুনবা শরুক্কী ওইনা, লো-রিস্ক তাইয়রশিংগী (CMR 1-3) ওরিজিনেসনগী শেয়র অসি 22% দগী 31% তা YoY হেনগৎলকই (মাইক্রো সেগমেন্ততা থেংনরকপদা খ্বাইদগী ৱাংবা অহোংবা)। মসিনা MSME সেগমেন্তকী ওইনা হাই-রিস্ক তাইয়রশিংদা (CMR 7-10) অওকপা মওংদা 24% দগী 13% তা YoY হন্থরকপা থেংনরকখি।

CMRগী ওরিজিনেসন ত্রেদশিংগী শেয়র - MSME সেগমেন্ততা




হাই-রিস্ক তাইয়রদা (CMR 7-10) PSBs অমসুং NBFCs কী ওইনা ওরিজিনেসনশিং থোইদোক হেন্দোক্লা হন্থরকখি- মাইক্রো সেগমেন্ততগী লাকপা হাই-রিস্ক ওরিজিনেসনশিংগী শেয়রদা হন্থরকপনা মরুওইনা ওইহল্লি।

CMRগী ওরিজিনেসন ত্রেদশিংগী শেয়র – শেল-শান্দোকপগী মখলদা




## অয়াবা ফংবগী চাং


শেল শান্দোকপশিংগী রিস্ক এপিতাইত অদু খংনবগীদমক, ঐখোয়না এপ্রুভেল রেতশিংদা য়েংলি। এপ্রুভেল রেত হোৎনবগীদমক, ঐখোয়না ইনকুইরীশিং অমসুং মথংগী নুমিৎ 90 দা লৈরিবা মখোয়গা মরী লৈনবা ওরিজিনেসনশিং অদুদা য়েংই।

লো-রিস্ক তাইয়র (CMR 1-3)গী এপ্রুভেল রেতশিং অসি মমাং চহিগা চাংদম্নবদা PSB গী ওইনা 22% দা লেংদনা লৈ, PVT গী ওইনা 39% দা লৈ অমসুং NBFC গী ওইনা 32% দা লৈ। মিদয়ম-রিস্ক তাইয়র (CMR 4-6)গী এপ্রুভেল রেত অসি ফগৎলক্লি; অদুমওইনমক, হাই রিস্ক তাইয়র (CMR 7-10)গী ওইনদি মমাং চহিগা চাংদম্নবদা PSB অমসুং NBFC গী ওইনা খরা হন্থরকপা থেংনৈ। ক্রেদিত দিমান্দ হেনগৎলক্লবসু, NBFCs অসি রিস্ক এপিতাইত নেম্না লৈ অমসুং মখোয়গী সেলেক্সন অসি য়াম্না চেকশিন্না পাংথোকই।

### মিদিয়ম রিস্ক তাইয়র (CMR4-6) শেল-শান্দোকপগী মখলদা অয়াবা ফংবগী চাং




### হায় রিস্ক তাইয়র (CMR7-10) শেল-শান্দোকপগী মখলদা অয়াবা ফংবগী চাং



## ক্রেদিত গ্রোথ অমসুং পর্ফোর্মেন্স


ঐখোয়না MSME সেগমেন্ততা লৈরিবা এক্সপোজর অদু ঙসিফাওবা লৈরিবা থিগদবা ৱাৎলিবা অপুনবা বেলেন্স অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু, বুক অসিগী তাঙ্কক অমা (~10%)দি নুমিৎ 720 হেন্না DPD লৈবা নত্ত্রগা মাংখ্রে/দাউতফুল ওইরে হায়না রিপোর্ত লৈরবা লেগসি একাউন্তশিংদগী ওইরি। মরম অদুনা, MSME পল্সকী ওইনা মমাং-থানা চৎকদবা বুক অসি FY23-Q2 গী ওইনা 10.6%কী YoY গ্রোথ রেত লৈদুনা ₹ 22.9 লাখ করোর (720+DPD দা লৈখিবা 1.3 লাখ করোর/দাউতফুল অমসুং মাংখিবা লাখ করোর 1.2 অদু থাদনা) দা লৈরে। মসিদা দাউতফুল/মাংখ্রবা একাউন্তশিং/DPD 720 হেন্না লৈবা একাউন্তশিং য়াওনা লৈরিবা ভেল্যু অসি ₹ 25.3 লাখ করোরনি।

অপুনবা দাউতফুল/মাংখ্রবা একাউন্তশিং/DPD 720 হেন্না লৈবা একাউন্তশিংগী থিগদবা ৱাৎলিবা বেলেন্স অসি FY22দা ₹ 2.46 লাখ করোর ওইখি। হৌজিক লৈরিবা মসিগী অপুনবা শেনফম অসিগী মনুংদা, ₹ 1.79 লাখ করোর (অপুনবগী 73%) অসি FY19 দসু 90+DPD ওইখি। অদুনা, মখোয়শিং অসি MSME সেগমেন্তকী ওইনা হৌজিক লৈরিবা থিগদবা ৱাৎলিবা ভেল্যু অদু তশেংনা উৎপা ঙমদবা দিফোল্ত কেসশিংনি।

₹ 22.9 লাখ করোরগী বুক অসি PSBsতগী ₹ 7.9 লাখ করোর, PVTদগী ₹ 10.1 লাখ করোর, অমসুং NBFCsতগী ₹ 3.1 লাখ করোর, অমসুং লেমহৌরিবশিং অদুনা অতোপ্পদগী লৌদুনা শারি। স্মোল সেগমেন্ত অসিনা MSMEদা ₹ 9.5 লাখ করোরদা খ্বাইদগী ৱাংবা প্রোপোর্সন লৈদুনা, অমসুং মকাইক্রো অমদি মিদিয়ম্না ₹ 5.8 লাক করোর অমসুং ₹ 7.6 লাখ করোরদা মথংশিংনা লৈরি।

মসিগী ক্রেদিত গ্রোথ অসি MSME লেন্দিংগী সব-সেগমেন্ত পুন্নমক্তা উবা ফংইঃ মাইক্রোগী বেলেন্স অসিনা 13% YoY হেনগৎলকখি, অদুমওইনমক স্মোল অমদি মিদিয়ম সেগমেন্তশিংগী লাইরিক্লা মথংশিংনা 10% অমসুং 8% হেনগৎলকখি। থীগৎকদবা ৱাৎলিবা বেলেন্সশিং অদুনা PSBs, PVT বেঙ্কশিং অমসুং NBFCsকী ওইনা মথংশিংনা 6%, 18% অমসুং 3% YoY হেনগৎলক্লি।

MSME ক্রেদিত এক্সপোজর (� লাখ করোরদা)







## দেলিনক্কেন্সী রেতশিং

মমাংদা ঐখোয়না, MSME অসিবু রিস্ক য়াম্না ৱাংবা বিজিনেস অমা ওইনা উত্তুনা লাকপা লেগসি DPD একাউন্তশিং য়েংলবদা NPA রেতশিং (90+DPD) অসি 12.5% লৈবা থেংনরে। বুক অসি পুশিল্লক্তুনা, অনৌবা ৱাহন্থোক্কী মতুংইন্না (হায়বদি দাউতফুল, মাংবা অমসুং 720+ DPD একাউন্তশিং থাদনা), দেলিনক্কেন্সী রেতশিং অসি FY23 Q2গী ওইনা 3.0% য়ৌনা নেম্মি।

দেলিনক্কেন্সী রেতশিং অসি মমাং চহিগী চপ-মান্নবা মতমদা 4.4% ওইদুনা মদুদা লেংদবা চাং অমদা হন্থরকপা অমা উৎখি।

### দেলিনক্কেন্সী রেতশিং





হোৎখিবা পুন্নমক্তগী মাংখিবা চাং অদু লৌথোক্লে




## শেল-শান্দোকপগী মখলনা পীবা দেলিনক্কেন্সী রেত: 90+ DPD

YoY চাংদম্নবদা, দেলিনক্কেন্সী রেতশিং অসি কেতেগোরী অহুম্মক অসি লোইনমক্তা হন্থরকখি — মসিদা FY 22-Q2 দা 2.8% দগী FY 23-Q2 দা 1.5% দা হন্থরক্তুনা PVT সেগমেন্ততা খ্বাইদগী য়াম্না হন্থবা ওইখি।

### শেল-শান্দোকপগী মখলনা পীবা দেলিনক্কেন্সী রেত





### MSME সেগমেন্তনা পীবা দেলিনক্কেন্সী রেত



## পোর্তফোলিও V/S দেলিনক্বেন্সী চাংদম্নবা

সেপ্তেম্বর'22 ফাওবদা হৌজিক লৈরিবা থীগৎকদবা ৱাৎলিবশিং অসিগী মতুংইন্না খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা রাজ্য 10 অসিনা MSME বুক্কী 72% শরুক তন্নি। মসিগী মনুংদা, গুজরাত্না খ্বাইদগী য়াম্বা গ্রোথ (15%) অমসুং রাজস্থান্না খ্বাইদগী নেম্বা হৌজিক্কী ওইবা দেলিনক্বেন্সী রেত লৈবা থেংনখি।

### পোর্তফোলিওদা হেনগৎলকপা V/S হৌজিক ওইরিবা দেলিনক্বেন্সী রেত







## শেল পুখিবশিংগী দিস্ত্রিব্যুসন

মখা তারকপা ওইনা সেপ্তেম্বর’21 ফাওবদা অপুনবা লাইব এন্তিতীগী 28% ওইরম্বা চাংদা য়েংবদা খ্বাইদগী রিস্ক ৱাংবা এন্তিতীশিংগী প্রোপোর্সন অদু সেপ্তেম্বর’22 দা 26% তা হন্থরকখি, মসিনা চপ-মান্নবা মতম অসিমক্কী ওইনা রিস্ক-নেম্বা এন্তিতীশিংগী প্রোপোর্সন অদু 27% দগী 34% দা হেনগৎহল্লকই।

পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংনা পীবা শেল-পুখিবশিংগী দিস্ত্রিব্যুসন




## রিস্ক প্রোফাইল

CIBIL MSME রেঙ্ক ত্রান্সজিসন অসি সেপ্তেম্বর-21দগী হৌরগা সেপ্তেম্বর-22 ফাওবগী ওইনা চহি অমগী মতমদা শেল পুরিবশিংগী মথক্তা য়েংশিনখি, অমসুং ত্রান্সজিসন অদু রিস্ক-নেম্বাঃ CMR 1-3 ; মিদিয়ম রিস্কঃ CMR 4-6; অমসুং রিস্ক-ৱাংবাঃ CMR 7-10 অসিগী রেঙ্ক বক্কেতকীদমক য়েংশিনখি।

মসিদা সেপ্তেম্বর’21 দা CMR 1–3 দা লৈবা শেল-পুখিবশিং অদুগী অপুনবগী 31% অদু সেপ্তেম্বর’22 দা লাৱর বক্কেতশিংদা দাউনগ্রেদ তৌখিবা উবা ফংখি, অমসুং সেপ্তেম্বর’21 দা CMR 4–6 তা লৈবা শেল-পুখিবশিং অদুগী অপুনবগী 14% না সেপ্তেম্বর’22 দা হাইয়র রেঙ্ক বক্কেতশিংদা অপগ্রেদ তৌখি।


সেপ্তেম্বর-21 দগীনা সেপ্তেম্বর-22 ফাওবদা লৈখিবা CMR গী ত্রান্সজিসন

| | | সেপ্তেম্বর-22 ফাওবদা লৈখিবা CMR | | | দাউনগ্রেদ | অপগ্রেদ | লেংদবা CMR1–3 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | CMR1–3 | CMR4–6 | CMR7–10 | | | |
| সেপ্তেম্বর-21 ফাওবদা লৈখিবা CMR | CMR1–3 | 69% | 25% | 6% | সেপ্তেম্বর-21 ফাওবদা লৈখিবা CMR | CMR 1–3 | 69% |
| | CMR4–6 | 14% | 67% | 19% | 19% | CMR 4–6 | 14% |
| | CMR7–10 | 2% | 11% | 87% | 0% | CMR 7–10 | 2% |

## NEXT WAVE OF GROWTH – MICRO SEGMENT

এন্তিতীশিং অদুগী 93% না মাইক্রো (সব ₹ 1 করোর) সেগমেন্ততা লৈ, মসিনা FY23 Q2 ফাওবগী ওইনা 13% YoY হেনগৎলকপগী রেত লৈদুনা MSME পোর্তফোলিও অদুগী 25% শরুক তল্লি।

### Segment-Wise YoY Growth and Balance Contribution





এন্তিতী লেভেলদা চাংচন্তা শেম্বা ক্রেদিত এক্সপোজরদা য়ুম্ফম ওইদুনা খায়দোকপা কম্মর্সিএল লোনশিং,
মাইক্রোঃ এক্সপোজর ₹ 1 করোর ফাওবা, য়াম্না পীকপা (ভেরি স্মোল): < ₹ 10 লাখ;
মাইক্রো1: এক্সপোজর ₹ 10 লাখ অমসুং ₹50 লাখকী মরক্তা;
মাইক্রো2: এক্সপোজর ₹ 50 লাখ অমসুং ₹ 1 করোরগী মরক্তা লৈ।
য়াম্না পীকপা (Very small), মাইক্রো1 অমসুং মাইক্রো2 দা মথংশিৎনা 20%, 15% অমসুং 11% কী বেলেন্স হেনগৎলকপা থেংনখি, মসিনা মাইক্রো লেন্দিংদা পেন্দেমিক মতুং ওইবগী হায়গৎলকপা নত্তবা, অদুবু দিজিতেল ইনফ্রাস্ত্রকচর মপাঙ্গল কনখৎলকপনা ওইহল্লকপা খংহৌদনা হায়গৎলকপা অদু উৎলি।

লনাই বেঙ্কশিংগী ওইনা ভেরি স্মোল সেগমেন্ততা লৈরিবা ওরিজিনেসনশিংগী 7% না মাইক্রো1 দা ওনখিবা থেংনৈ অমসুং মাইক্রো1 সেগমেন্ততা লৈরিবা ওরিজিনেসনশিংগী 14%না মাইক্রো2 দা অমসুং মাইক্রো2 দা লৈবা ওরিজিনেসনশিংগী 21% না স্মোল সেগমেন্ততা, ওরিজিনেসনগী থা 12 গী মনুংদা ওনখিবা অসি থেংনৈ।

লনাই বেঙ্কশিং অমসুং NBFCsশিংগী বেলেন্সতা হেনগৎলকপগা লোইননা এন্তিতী মশিং হায়গৎলকপা উবা ফংই, মসিনা ওরিজিনেসন্দগী থা 12গী মতুংদা হাইয়র সেগমেন্ততা অপগ্রেদ তৌরকপা এন্তিতী মশিং হেনগৎলকই (খুদম ওইনা ভেরি স্মোল সেগমেন্ততগী মাইক্রো1 সেগমেন্ততা থা 12 গী মতমদা হোংখিবা)। মসিনা ফোর্মেল ক্রেদিত অমুক্তং শিজিন্নবা ফংখিবদা ওইরকপা মাইক্রো সেগমেন্তকী মপাঙ্গল অদু হন্না তাক্লি।



## মাইক্রো সেগমেন্ত: শেল-শান্দোকপশিংগী কেতেগোরীনা পীবা অপগ্রেদশিং





মতম : 2021 (এপ্রিল-সেপ্তেম্বর) থা 12 গী মতুংদা লৈবা বেলেন্সকী ওরিজিনেসন অমসুং হেনগৎলকপা

অপগ্রেদ : মথংগী খরা হেন্না ৱাংবা সেগমেন্ততা চৎপা খুদম ওইনা : য়াম্না পীকপদগী মাইক্রো1 ফাওবা, মাইক্রো1দগী মাইক্রো2 ফাওবা অসুন্না থা 12 অসিদা

MSME স্পেস্তা লৈবা ন্যু-তু-ক্রেদিত (NTC) সেগমেন্ততা য়েংবা মতমদা, NTC অসি অপুনবা MSME গী ওইনা অনৌবা ওরিজিনেসনগী পর্সেন্তেজ অমা ওইনা FY23-Q2 দা 44% তা লৈ। মাইক্রো সেগমেন্তকী ওইনা, অনৌবা ওরিজিনেসনশিংগী 50% তগী হেন্না NTC গী শেল-পুখিবশিংদগী লাকখি। অদুমওইনমক মাইক্রো সেগমেন্তকী ওইনা ক্রেদিত দিমান্দ অসি য়াম্না ৱাংই হায়বসি খংলবসু, শেল-পুখুবশিংনা মখোয়বু ওনবোর্দিং তৌবদা চপ-মান্নবা এগ্রেসিব ওই।

### NTC অসি মাইক্রোদা অনৌবা ওরিজিনেসনগী পর্সেন্তেজ অমা ওইনা




## মাইক্রো সেগমেন্ত: NTC V/S ETC

ঐখোয়না NTC/ETC সেগমেন্তশিংগী তোঙান-তোঙান মখলগী মওং-মতৌশিং কুপ্না-নৈনরুই। ETC সেগমেন্ত অসি ক্রেদিত হিস্তরী নিংথীনা লৈরবা শেল-পূবশিং য়াওরম্মি। মসিগী এক্সর্সাইস্কীদমক, ওক্তোবর'20 অমসুং মার্চ'21গী মরক্তা লৈরিবা ওরিজিনেসনশিং অদু লৌখৎলি। ETCগী ওইনা, য়ামদ্রবদা চহি অনিগী মমাংগী হিস্তরী লৈবা শেল-পুখিবশিং খক্তমক লৌখৎলি, অদুগা NTC গা লোইননা লাইক-তু-লাইক কম্পেরিজনগীদমক মাইক্রোগী মনুংদা লৈরিবা সব-সেগমেন্ত অমসুং CMR রেঙ্ককী মতুং ইন্না সেম্পল শেম্মি।

NTC সেগমেন্ত অসি ETC গা য়েংনবদা লাৱর-তিকেতকী সাইজ ওইবা শেল-পুখিবশিংগী চাং ৱাংনা লৈ; NTC গী শেল-পুখিবা 61% না <₹1 লাখকী ইনিস্যেল তিকেত সাইজ লৈ।

### তিকেত সাইজকী মতুংইন্না NTC v/s ETC দিস্ত্রিব্যুসন





ওক্তোবর'20 – মার্চ'21 ফাওবগী মনুংদা লৌখৎলবা ওরিজিনেসনশিং

মার্চ'21 ফাওবদা লৌখৎলবা য়ামদ্রবদা চহি অনিগী হিস্তরী লৈরবা ETC গী শেল-পুখিবশিং

ETC অমসুং NTCগী তোঙান-তোঙানবা রিস্ক প্রোফাইলশিং লৈরি। NTC গী ওইনা অহানবা থাদোরকপা CMR অসি শেল-পুখিবা অয়াম্বগী (~72%) ওইনা মিদিয়ম রিস্ককী রেঞ্জতা (CMR 4–6) লৈ, অদুমওইনমক হিস্তরী নিংথীনা লৈরবা শেল-পুখিবশিং অদুদগী 46% না মিদিয়ম রেঞ্জতা লৈ।

### CMRগী মতুংইন্না NTC v/s ETC দিস্ত্রিব্যুসন





NTC অমসুং ETC কস্তমরশিংগী তোঙান-তোঙানবা প্রোফাইলশিং পীরবদা, মসিগী হিরম/শরুক অসিদা মতিক লৈবা অন্দরাইতিং ওইনা লৌনবগীদমক অলতর্নেতিব দেতা সোর্সশিং লৈবগী মথৌ তাবা অসি হেনগৎলক্লি। ফোর্মেল ক্রেদিত্তা মাইক্রো য়াওশিনবা অসি শেন্মিৎলোন খুমাংচাওশিনহন্নবগীদমক য়াম্না মরুওইরি অমসুং অনৌবা এন্তিতীশিং ওনবোর্দিং তৌবা অসিনা মখোয়দা তুং কোইগদবা ক্রেদিত হিস্তরী শাগৎপদা মতেং পীরি।

FIT RANK অসি গুদস অমদি সর্বিস তেক্স (GST), বেঙ্ক স্তেতমেন্ত অমসুং ইনকম তেক্স রিতর্ন (ITR) কী পাৱর চিংশিল্লিবা ক্রেদিত দিফোল্ত প্রিদিক্তর মোদেল অমনি; মসি MSME গী শেল-পূথোকপগী রেঙ্কিং মোদেল অমা পীরিবা ইনফোর্মেসন্নি। রেঙ্কিং মোদেল অসিনা মথংগী থা 12 দা MSME অসিবু নোন-পর্মোমিং এসেত (NPA) অমা ওইরকপগী ওইথোকপা য়াবা লৈবরা হায়বদু খংদোক্নবা মেছিন লর্নিং অলগোরিদমশিং শিজিন্নৈ। ফিত রেঙ্ক স্কোর অসি 1 অমসুং 10 গী মরক্তা লৈ; মসিদা 1 অসিনা খ্বাইদগী রিস্ক নেস্বা সেগমেন্ত ওইদুনা।

FIT RANK অসিনা MSME অমগী ফাইনান্স্যেল, ইনকম অমসুং ৱ্রেদ দেতাগী অপুনবা মশক অমা পীনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা লিখুনশিংদগী ফংবা ই-পাউশিং ৱ্রাইএঙ্গ্যুলেত তৌদুনা, MSME লোনশিংগীদমক রিস্ক দিফরেন্স্যেসন ফগৎহনবা অমসুং ক্রেদত অন্দর্রাইতিংবু মচিন তুমহল্লি। মরম অদুনা, মসিনা মখোয়গী গ্রোথ অমসুং ইনক্লুজিবিতী লৈহন্দুনা NTC সেগমেন্তকীদমক মতিক লৈরবা ইনফোর্মেসন লৌনবা মতিক চাবা খুৎলাই অমা ওইদুনা খুদম উৎলি।

## FIT রেঙ্ক – দিফোল্ত ওইবা য়াবা




CMR v/s ফিত রেঙ্ককী থবকশিং অসিনা রিস্ক-স্প্লিতপু হেন্না নিংথিনা উৎলি, অসিগুম্বা মতিক অসি মখা-তানা থেংনরক্লি। CMR 1–3গী ওইনা বেদ রেতশিং অসি 2.2% তা লৈ, অদুবু মদুগী মীশিং অদুগী মনুংদা ফাওবা, ঐখোয়না নেম্লবদা 1.1% (FIT 1–3) বেদ রেত লৈবা অমসুং য়াম্লবদা 6.3% (FIT9–10) গী পোকেতশিং লৈবা থেংনরি।

### FIT রেঙ্ক – CMR য়াওবা ক্রোস তেব

| বেদ রেত | | CIBIL MSME রেঙ্ক | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | | নেম্বা (CMR 1-3) | Medium (CMR 4-6) | নেম্বা (CMR 1-3) | New to Credit | নেম্বা (CMR 1-3) |
| FIT রেঙ্ক | নেম্বা (FIT 1-3) | FIT রেঙ্ক | নেম্বা (FIT 1-3) | FIT রেঙ্ক | নেম্বা (FIT 1-3) | FIT রেঙ্ক |
| | মিদিয়ম (FIT 4-8) | 2.1% | মিদিয়ম (FIT 4-8) | 16.4% | মিদিয়ম (FIT 4-8) | 4.4% |
| | ৱাংবা (FIT 9-10) | 6.3% | ৱাংবা (FIT 9-10) | 27.8% | ৱাংবা (FIT 9-10) | 12.7% |
| | অপুনবগী | 2.2% | অপুনবগী | 19.8% | অপুনবগী | 5.4% |

## খুদোংচারোইদবা লৈবদা মাংজৌননা পীবা সিগনেলশিং


MSME গী শেল-শান্দোকপা অসিনা হেন্না মচাক-খায়বা অমসুং রেপ্লিকেতিং ওইবা প্লেতফোর্মদা য়ুম্ফম ওইবা কঞ্জুমর-শান্দোকপগী লম্বীদা চংশিল্লকপনা, অন্দর্রিতন এন্তিতী অমগী থবক-থৌরমশিং য়েংশিন্নবা অনৌবা সোল্যুসনশিং লৈবা মথৌ তারক্লি। DPD বকেন্তা হৌজিক লৈরিবা একাউন্ত অমদা রিএক্ত তৌবা হায়বসি ইকুই কুইদনা তুংদা পোতেন্স্যেল দিফোল্ত সিগনেল পীবা য়াবা অতোপ্পা ইন্দিকেতর ময়াম অমা লৈবনা মতম থিন্দরবা রিএক্সন অমা ওইবা য়াই। মরম অদুনা, আর্লি ৱার্নিং সিগ্নেলস (EWS) অসি ক্রেদিত রিস্ক মেনেজমেন্তকী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইরক্লি অমসুং মসিনা শেল-শান্দোকপশিংদা মাংজৌননা খুদোংচাদবদগী ঙাকথোক্লবা থবকশিং লৌখৎবা য়াহল্লি।

CreditVision® (ক্রেদিত ভিজন) চৎনবা অলগোরিদমশিং এত্রিব্যুতশিং অসি এন্তিতী অমগী 'আর্লি ৱার্নিং সাইনশিং' খংদোকপদা শিজিন্নবা য়াই অমসুং মসিনা মতম চানা থবক পায়খৎহৌরবদি রিস্ক হন্থহনবা ঙমগনি। অতেনবা মতম অমদা লৈবা ক্রেদিতকী চঞ্চরকপা বিল্দ-অপ অমসুং ইকুই-কুইদ্রিবা দিফোল্তশিং অসিসু তুংদা লাক্কদবা দিফোল্তকী মরুওইবা ইন্দিকেতরনি।

সেপ্তেম্বর'21গী ওইনা MSME পোর্তফোলিও (0 DPD) অসি ক্রেদিতভিজন চৎনবা অলগোরিদমশিংদা হোৎখিবা মথংগী থা 12 (90 DPD লৈখ্রবা) গী থবকশিংগা লোইননা য়েংশিন্নবগীদমক লৌখৎখি।


হৌখিবা থা 24 অসিদা চাং মান্ননা ক্রেদিত হেনগৎলক্লিবা শেল-পুখিবশিংনা বেদ রেত খ্বাইদগী য়াম্না উৎলি, মসিনা বেলেন্স বীলদরশিংগী কেতেগোরী অসি মথংগী থা 12 দা দিফোল্তরশিং ওইরকপা য়াবগী খুদম উৎলি।

12M ইভর 90: বেলেন্স শাগৎপা (মমাংগী থা 24)




হৌজিক লৈরিবা দেলিনক্বেন্সী (নৈনবগী থা) অসি ফাওবদা 0 DPD ওইবনা, মমাংগী থা 12 দা শেল থীগৎপা ঙমখিদবগী চাং ৱাংবা অসিনা দিফোল্ত রেত ৱাংনা লৈ হায়বা তাক্লি।


12M ইভর 90: পেমেন্ত তৌহৌদবগী রেসিও (মমাংগী থা 12)




ঐখোয়না মথক্কী অপুনবা অমসুং মখোয়না তশেংনা দিফোল্ত তৌবা হৌদ্রিঙৈ মমাংদগী হৌনা NPA ওইবা য়াবা কেসশিং খংদোকপদা মতেং পীরিবা অহেনবা ইন্দিকেতরশিং অসিদা মিৎয়েং থমখি। মখাদা পীরিবা সেগমেন্তেসন অসি মসিগী মেত্রিকশিং অসিদগী খরবু করম্না পুনশিনগনি অমসুং মাংজৌননা রিস্ক খংদোকপদা শিজিন্নবা য়াবগে হায়বগী খুদম্নি। আর্লি ৱার্নিং সিগ্নেল বকেতশিং অসি অমদগী মরি ফাওবগী মনুংদা লৈবা দিফোল্তকী কেস ওইবা য়াবশিং অদু খায়দোক্লবা শেম্বনি।

EWS4 গী মখাদা লৈবা বেজকী 10% দি সেপ্তেম্বর'21 দগী হৌনা থা 12 দা 90+ য়ৌখি।

EWS বকেতকী মতুংইন্না মথংগী থা 12 দা লৈবা ইভর 90




বোরোৱর বেজ: সেপ্তেম্বর’21 (T0) ফাওবদা CMR1-6 অমসুং 0 DPD লৈবা MEME বুক পর্ফোর্মেন্স: T0 দগী থা 12 দা 90+

রিস্ক-স্প্লিতিংকী মনুংদা ফাওবা CMR v/s EWS কী পর্ফোর্মেন্স অসি উবা ফংলি, মথৌ-পাংথোকপগী মতিক অদু মখা তানা থেংনহল্লি। CMR 1–3 গী বেদ রেতশিং অসি 2.1% দা লৈ, অদুবু মশিং অসিমক্কী মরক্তদা, ঐখোয়না 0.8% (EWS1) য়ৌনা নেম্বা বেদ রেতশিং অমসুং 4.0% (EWS4) য়ৌনা ৱাংবা পোকেতশিং উবা ফংখি।

CIBIL MSME রেঙ্কতা লৈবা অহেনবা রিস্ক দিফরেন্স্যেসন

| মীশিং খায়দোকপা | | CMR স্কোর বেন্দ | | |
|---|---|---|---|---|
| | | CMR1-3 | CMR4-6 | অপুনবগী |
| EWS TIERS | EWS1 | 4.2% | 4% | 8.3% |
| | EWS2 | 10.4% | 16.7% | 27.2% |
| | EWS3 | 7.0% | 24.2% | 31.2% |
| | EWS4 | 4.0% | 29.4% | 33.3% |
| | অপুনবগী | 25.6% | 74.4% | 100.0% |

| পর্ফোর্মেন্স (মথংগী থা 12 দা লৈবা ইভর 90) | | CMR স্কোর বেন্দ | | |
|---|---|---|---|---|
| | | CMR1-3 | CMR4-6 | অপুনবগী |
| EWS TIERS | EWS1 | 0.8% | 0.9% | 0.8% |
| | EWS2 | 1.8% | 3.3% | 2.7% |
| | EWS3 | 2.4% | 4.5% | 4.0% |
| | EWS4 | 4.0% | 10.9% | 10.0% |
| | অপুনবগী | 2.1% | 6.5% | 5.4% |

**খংহঙ্খবা**

মসিগী MSME পল্স রিপোর্ত অসি ‘ট্রান্সয়ুনিয়ন সিবিল লিমিতেদ’/TransUnion CIBIL Limited (TU CIBIL) না শেম্বনি। রিপোর্ত অসি য়েংদুনা অমসুং শিজিন্নদুনা মীওই অমনা শিজিন্নরিবা অসি পীরিবা দিস্ক্লেমর অসিগী মতুংইন্না চৎকদবনি হায়বসি খংগদবনি অমসুং য়াজগদবনি। রিপোর্ত অসি TU CIBIL গী মেম্বরশিং ওইরিবা ক্রেদিত ইন্সতিত্যুসনশিংনা পীরকপা অপুনবা ই-পাউদা য়ুম্ফম ওইবনি। অদুগা অমরোমদা TU CIBIL না রেপোর্ত অসি চেকশিন্না মরম চাবা মওংদা শেম-শাবনি, ক্রেদিত ইন্সতিত্যুসনশিংনা মখোয়দা পীখৎলকপা মরিক চুমদবা নত্রগা মপুং-ফাদবা ই-পাউনা মরম ওইদুনা ওইহল্লকপা মরিক চুমদবা, অশোয়বা অমসুং/চিথবা য়াওবদা TU CIBIL না দ্বাইত লৌরোই। মখা তানা TU CIBIL না রিপোর্ত অসিদা পীরিবা ই-পাউশিং অসি অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা মরিক চুম্বা নত্রগা মপুং ফাগনি হায়বগী ৱাফম থমদে অমসুং মসিগা অখন্নবা থৌরাং অমত্তগা চান্নবা/মান্নবা অমসুং TU CIBIL না রিপোর্ত অসি শিজিন্নবা নৎত্রগা মসিদা থাজবা থমদুনা লিখুন লৌবদা দ্বাইত লৌরোই অসিনচিংবা লাইএবিলিতী পুন্নমক TU CIBIL না দিস্ক্লেম তৌদুনা ফোংদোক্লি। মসিগী রিপোর্ত অসি (i) শিজিন্নহনবা নত্রগা শিজিন্নহন্দবা। (ii) মরী লৈনবা মীওই নত্রগা লুপকা মখল অমত্তগী ফাইনান্স্যেল ট্রান্সজেক্সন তৌবা নত্রগা তৌদনবা TU CIBIL না অয়াবা অমত্তা পীবা নত্রগা মখল অমত্তগী এপ্লিকেসন, প্রদক্তকী রিজেক্সন/দিনাইএলগীদমক শিজিন্ননবা হায়খিবা লৈতে। রিপোর্ত অসিদা য়াওরিবা ই-পাউ অসিদা পাউতাক পীবা য়াওদে, অমসুং শিজিন্নরিবা মীওই অদুনা রিপোর্ত অসিদা য়াওরিবা ই-পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱারেপ অমত্তা লৌদ্রিঙৈ মমাংদা মসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অসি উবা ফংবা তঙাই ফদনা নৈনগদবশিং অদু লোইনমক পুথোক্কদবনি। রিপোর্ত অসি শিজিন্নবা হায়বসি ক্রেদিত ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ (রেগ্যুলেসন) এক্ত, 2005, ক্রেদিত ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ রেগ্যুলেসন্স, 2006, ক্রেদিত ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ রুলস, 2006কী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ঙাক্না থিল্লি। রিপোর্ত অসিগী শরুক অমত্তা মাংজৌননা অয়াবা য়াওদনা কোপী তৌবা, শিজিন্নবা, ফোংবা য়ারোই।

**TRANSUNION CIBIL LIMITED**

ক্রেদিত ইনফোর্মেসন ব্যুরো (ইন্দিয়া) লিমিতেদ

ৱান ৱৰ্লদ সেন্তৰ, তাৱৰ 2A-2B, 9শুবা ফ্লোৰ, সেনাপতি  বাপত মাৰ্গ, লাৱৰ পৰেল, মুম্বৈ- 400 013

© 2023 TransUnion CIBIL Limited All Rights Reserved